A newspaper dedicated to the cause xof Human Rights
ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ
নহারোলগী থৌদাং
ইম্ফাল, অগষ্ট ১২, ২০১৭

সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং
ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌবা চঙই

ঙসিগী চাওখৎলবা কম্প্যুটর এজ অসিদা মসিনা পীরিবা খুদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনবগী মহুৎতা অরিবা নুঙগী যুগকী মতমদগী ইহেন-হেন্দোক্তনা লৈরিবা অসিনা মীপুম খুদিংমক চাওখৎ-লমজেলদা শরুক য়াবা ঙমদ্রি। মতম মতমগী মতুং ইন্না সেন্টর অমসুং ষ্টেট সরকারনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক স্কিম প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলবসু মসিগী কান্নবশিং অদু নিংথিনা এৱার্নেস পীদবনা মীপুম তিংনা য়ৌহনবা ঙমদ্রি। অদুনা প্রোজেক্ট অমসুং স্কিম অসিনা পীরিবা কান্নবশিং অদু মীপুম তিংনা য়ৌহনবা ঙম্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয় মখোয়গী ওইবা ৱেবসাইটশিংদা ময়েক শেংনা ইরগা অপলোদ তৌবা চঙই। দরকারগী মতুং ইন্না মীয়ামশিং অদুনা স্কিম / প্রোজেক্টশিং অদুগা মরী লৈননা খঙনিংবা কয়া লৈরবসু মদুগী হংবা য়াবগী খুদোংচাবা অদুসু পীফম থোকই।

মতম মতমগী ওইনা সরকারগী মায়কৈদগীদি প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী খুথাংদা নোংমা নিনি এদভর্টাইজ তৌদুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনরবসু মদুগী মপুং ওইবা মচাকশিংদি ময়েক শেংনা য়াওদবনা মীয়ামদা খঙহন্নিংলিবশিং অদু কান্নবা ফংদ্রি। দিপার্টমেন্টতা লাক্তুনা হংলবা হায়বসিদা অনকপা অমসুং অরাপ্পা অনীমক্কী ওইনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নগনি। দিপার্টমেন্টগী মায়কৈদগীসু স্কিম প্রোজেক্টশিং অদুবু খঙনিংদুনা লাক্লিবা মীওই খুদিংমক লোইনা অমমমতা ওইনা খঙহন্নবা হোৎনবা হায়বদু ওইথোক্লোই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলগা মীপুম তিংনা খঙহন্নবগীদমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎকদৌরিবা স্কিম / প্রোজেক্ট শিং অদু করম্না এপ্লাই তৌগনি। মসিনা পীরিবা কান্নবশিং অদুনা করিনো হায়বনচিংবদু তোঙান তোঙানবা লোলশিংদা অপলোদ তৌবা চঙই।

মপুং ওইনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক লাইরিক ময়েক চৎপা নত্তে। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মখোয়না নুংঙাইগদবা মওংদা ইংলিস লোল খক্তদা অপলোদ তৌবনদি কান্নবা ফংলোই। খুদম ওইনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টগা মরী লৈননা লৌমীশিংদা কান্নবা স্কিম / প্রোজেক্ট শিং খক্তদা নত্তনা মতম মতমগী ওইনা মখোয়দা খুদোংচাবা পীরিবা হায়ব্রিদ ফৌদিশিং, মতম তেনশিন্না লোকপা য়াবা ফৌগী ভেরাইটি, মসিগা মরী লৈনবা লায়না তিলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা লৌমীশিংদা খঙহন্নবা হোৎনরিবনি হায়দুনা ইংলিস লোল খক্তদা ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌবনদি লৌমী শিন্নীশিংদা মপুং ফানা য়ৌহনবা ঙল্লোই। মসিগা চপ মান্নরা হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচরগা মরী লৈনরিবা লৌমী-শিন্নীশিং অয়াম্বনা লাইরিক ময়েক চৎতবা কয়াসু য়াওরি। হেন্না মরু ওইরিবদি মখোয়শিং খঙহনবা অদুনি। হৌজিক অসি নোংজু থা ওইবনা ভেক্তর বোন দিজিজ অমসুং ৱাটরবোন দিজিজনচিংবা লায়না তিলনা কয়া শন্দোকপা মতমনি। প্রিন্ট /ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী খুথাংদা ৱার্কশোপ সেমিনার তৌবনদি মীপুম তিংনা য়ৌহনবা ঙল্লোই। চীংনুংগী মনুং হঞ্জিনবা জগাশিং অমদি ঈশিং-ঈচাও মায়োক্নরিবা জগাশিং অদুদা লৈরিবা মীয়ামনা নেচরেল কেলামিতি মায়োক্নরিঙৈদা অদুগুম্বা ইনফোর্মেসনশিং অদু খঙহনবা ঙমদবসু য়াই। মসিগী মথক্তা অনা -অয়েক্পা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী মখাদা পীরিবা খুদোংচাবশিং য়াওনা দিপার্টমেন্ট কয়াগী খুথাংদা মীয়ামদা পীরিবা খুদোংচাবশিং মীয়াম্না অশংবা মতমদা হেক্তমক খঙবা য়ানবা মসিগী দিটেলশিং অদু ষ্টেটনা রিকগনাইজ তৌরবা তোঙান তোঙানবা লোলশিংদা দিপার্টমেন্টশিংগী ৱেবসাইট অদুদা অপলোদ তৌদুনা থল্লবদি সরকারনা মীয়ামদা য়ৌহন্নিংলিবা স্কিম প্রোজেক্টশিং অদুগী কান্নবশিং অদু নিংথিনা য়ৌহনবা ঙমগনি। চে খক্তদা থবক তৌবনদি য়াইতোং-খমদোংবা খরগী নত্তনা মীপুম তিংনা কান্নবা ফংবা হায়বদুদি ওইথোক্লোই।

এদিটরদা থারকপা চিঠি

ঐনা হেল্লেনা লৈরম্বা মীনা হেল্লম্লে

ইকাই খুম্নজরিবা এদিটর,

পৃথিবীসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংসিনা মাগী মাগী লৈবাকশিংবু মপান্দগী অতোপ্পনা লোন্না লান্দারকপদা মশা ঙাকথোকচনবা লালগী খুৎশু খুৎলায় কয়া অঙকপা মওংদা শাদুনা থমনৈ। অদুগা লৈবাকসিসু মাগী মাগী মীচং শেমদুনা এলাইন্সনচিংবা শেম্নদুনা থম্নৈ, লৈনৈ। পৃথিবীদা মমিং লৈরবা লৈবাকশিংদি অমেরিকা, রসিয়া, চাইনা, জপান, ইংলেন্দ, ইন্দিয়ানি হায়বা য়াই। লৈরিবা লৈবাকশিংসিগী লিদর অমমম লৈনৈ। নাটো, সিনেটতা, আমেরিকানা লুচিংবা গ্রুপ রসিয়ানা লুচিংবা গ্রুপ। গ্রুপ অনীসিগী এলাইন্স কন্ট্রিশিংদা অমনা এটেক তৌরকপদা অমনসু এটেক তৌনবা হোৎনৈ। হৌজিক সিরিয়াদা লাল থোক্লি। অনীমক মীচঙ গ্রুপ ওই। অদুগা চাইনানসু সপ্পোর্ট তৌবা লৈবাক য়াওরি, নোর্থ কোরিয়া, পাকিস্তান। আমেরিকানা সপ্পোর্ট তৌরিবা লৈবাকশিংদি অফগানিষ্টান, সাউথ কোরিয়া, ইন্দিয়ানি হায়বা তাই।

হন্দক ইকুই কুইদ্রিঙৈদা য়ুএসনা অহানবা ওইনা মখোয়গী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা জিবি য়ু-৪৩ মেসিক ওর্দিনান্স এয়র ব্লাষ্ট বোম, মাদর ওফ বোম অসি অফগনিষ্টানদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্ত চাংয়েং তৌদুনা থাদখিবদা ফাইটর ৯৪ হাৎপা ঙমখি। অদুগা মসিগী মতুংদা রসিয়ানা অমুক ফাদর ওফ ওল বোম হায়না মীংথোনবা অসি চাংয়েং তৌখি। মসিগী টিএনটি ৪৪ নি। অমেরিকাদগী রসিয়ানা শরুক মরীরোম শক্তি হেল্লি। মাদর ওফ ওল বোমনা ওক্সিদাইজ এজেন্টশিং পুই অদুগা ফাদর ওফ ওল বোমনা ওক্সিজেন্টশিং শীজিন্নৈ হায়রি। কয়াদা খেন্নখ্রবনো?

অরোইবদা থমজনিংবদি, অমেরিকাগী মাদর ওফ ওল বোমদগী রসিয়াগী ফাদর ওফ ওল বোম্না শরুক ৩ /৪ রোম শক্তি হেল্লম্লে। মসিদগী খঙবা ঙম্লে। ঐ খ্বাইদগী অহেনবতনি। অদুগা অমুক হেল্লম্লে অসিনি। মীওইবনা তান্নরিবসি হেল্লম্বসিনা ইকাইবা ফাওবগী ৱানিদা। নাপল তৌবা কান্নদে। ঐনা ঙমদবসু লৈরক্লে। অদুবু খুৎলাই লমজেল তান্নবসি তোক্লসি। খুৎলায় লমজেল তান্নরকপসিনা নোংমদি মালেমসি উৎ ওনখিবা তাবনি। ন্যুক্লিয়র লান্দা মায়থিবা মায় পাকপা লৈরোই।

অদোমগী
থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ
খাঙবোক ময়াই লৈকায়

অগষ্ট ১৪, ১৯৪৭
কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইটস কেম্পেইন (সর্কা)-২০১৭

মণিপুরবু অমুক হন্না ‘ প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস’ তা হঞ্জিনহন্নবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইট কেম্পেইন (সির্কা) না খৃঃ কুম ২০১৫ দা শাফোঙলকঙৈদগী হৌদুনা মণিপুরনা ১৯৪৭ দগী ১৯৪৯ ফাওবা মরোমদোম লেপচখিবগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অমুক নৌহৌননা নিংশিংবা হৌরকখি। খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা , বৃটিশনা মণিপুরগী নিংতম্বা পীরম্বা নুমিৎ অগষ্ট ১৪, ১৯৪৭ পু মণিপুরগী নিংতম্বা নুমিৎ (মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দে) হায়না সির্কানা শিন্দুনা খৃঃ কুম ২০১৬ অহানবা ওইনা পাঙথোকপা হৌরকখি। থৌরম অসিদা ইনিংথৌ মৈদিংঙু বোধচন্দ্রনা মণিপুরগী নিংতম্বা নুমিৎ অগষ্ট ১৪ , ১৯৪৭ তা কংলাদা চিংখৎখিবা মালেম পুবা পাফল তোঙবা পেত্রুক লৈ মচুগী ফিরাল অদুমক ইনিংথৌ মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবনা সনা কোনুংদা মীয়ামগা লোয়ননা চিংখৎতুনা মণিপুরগী নিংতম নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুনা ইরমদম অসিগী মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিনখি অমসুং মখা তানা পাক শন্না পাঙথোকপা ঙম্নবগী ৱাখল মমি হুলহনখি।

মণিপুরবু লাঙ্গোই চনশিন্দুনা থল্লিবা ঙসি থেংনরিবা ৱাথোকশিং অসি হায়রিবা পুৱারীগী তাঙ্কক অসিদা লিশাং শিৎনা থোকখিবা থৌদোকশিংনা মিতম্নহনখিবনা মণিপুরনা ইনি দয়াদা পুন্দ্রিঙৈগী পুৱারীবু নৌহৌননা খোঙ্গুল লীবগী তঙাইফদবা লাকখিবনি। সির্কাগী ৱাখল্লোন অমসুং পান্দমদি মণিপুরদা ‘ প্রি মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস’ হঞ্জিনহনবতনা ঙসিগী মীরোলনা থেংনরিবা ৱাথোকশিং অসিগী ৱারোইশিন ওইগনি হায়বসিনি। মরমদি লমদম অসিদা থোক্লিবা মখল মখা কয়াগী তংদু লৈতাদবা ৱাথোক লাঙ্গোকশিং অসি মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিৱান্নুংদা নমদুনা তিনশিনখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্লোনগী মনিং তন্বা অদু মাঙখিবদগী ওইহল্লকপনি। ১৯৭২ দা মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংলবসু অকক্লবা ওটোনোমি খরতমক পীবনা মায়কৈ কয়াদগী অতৎ অখম লৈতনা খুন্নাই অসিদা শিংনরক্লিবশিং অসি ৱাতেঙ্বা ঙমদবনি। মরম অসিনা মণিপুরবু স্পেসিয়েল কন্সটিট্যুস্নেল ষ্টেটস অমগী মখাদা গ্রেটর ওটোনোমিক অমা ফংদ্রিফাওবদি তংদু লৈতাবা (পীছ) পুরকপা ঙল্লোই। অদুনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর অনীগী মরক্তা লৈনগদবা মরী অসি প্রি- মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস’ তা লৈরম্বা ইন্সট্রুমেন্ট ওফ এক্সেসন’গী য়ান্ন-চে অসিনা খ্বাইদগী অচুম্বা মরী ওইফম থোকই। লৈঙাক্লোনগী শক্লোন অসিদা হঞ্জিনবা হায়রগা ইন্দিয়াদা পুন্দ্রিঙৈগী লৈঙাক মশিল নত্রগা ৱায়েল পথাপকী থৌশিলবু হান্নগী অশেংবা মশক কায়হন্দনা লিংসি নত্রগা চৎনহনসি হায়বগী ৱাহল্লোক নত্তে। ‘প্রি- মার্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস’ পু ইয়াং য়াংনা নত্রগা হেঞ্জিন্না খঞ্জিনবা হায়বা অসি হৌখিবা চহী ৬৭ হেন্না ইন্দিয়াগী লৈঙাক্ল হোংহল্লকখিবা খুন্নাইরোল, শেন্মিৎলোন অমদি লৈঙাক্লোনগী শকওংদগী য়েংবদা মতমগা চান্নদ্রবা ৱাখল্লোন ওইনা থোক্কনি। ঐখোয়না মাঙলমচৎতা হন্দুনা চৎপা য়ারোই। অদুবু মাঙলমচৎতা শোয়খিবা অরানবশিং অদুদি চুমথোকপা মথৌ তাই।

‘প্রি- মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেটস’ হঞ্জিনবা হায়বসি ঐখোয়গী পান্দমদদি মীৎয়েং অনীখক্তনি। পানগী ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংবা তারবদি, খৃঃ কুম ১৯৪৭ গী অগষ্ট ১১দা মণিপুরগী নিংথৌ অমসুং দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অনীগী মরক্তা য়ানখিবা ‘ইন্সট্রুমেন্ট এন্দ এক্সেসন’ গী মতুং ইন্না থৌশিল অহুম হায়বদি ঙাকশেল (দিফেন্স) , মপান- থৌরাং (এক্সটর্নেল এফেয়ার্স) , লম্বী -থোং অমসুং ঈ-পাউ (কম্যুনিকেসন)বু ইন্দিয়াদা শিন্নবা হায়বা য়ান্নচে অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা চৎনরিবা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী মরিবু নৌহৌননা মশক লেপ্পবু খঙনগনি। নুঙগী ওইবা ৱাফমদনা ‘মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭’ অমুক হিঙ্গৎহন্দুনা মথৌ তারিবা তঙাইফদবা খুদিংমক ফংহন্নবা অমুক হন্না নৈনদুনা অমসুং নৌনা শেমদোক্তুনা মণিপুর মনুংগী ওইবা লৈঙাকপু নিং তম্বা ফংহনবা হায়বসিনি।

মণিপুরদা ‘প্রি-মর্জর মর্জর পোলিটিকেল ষ্টেট’ হঞ্জিনহন্নবগী দিমান্দ অসিনা হৌজিক মায়োক্নরিবা খ্বাইদগী চাওবা কন্ত্রাদিক্সন (মুক্নবা) অনী ৱাতেন্নবা পান্দমনি।

১) মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা খুৎলাই পায়বগী মুক্নবা।

২) য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নরক্লিবা লৈহৌমী ফুরুপশিংগী মরক্তা থোক্লিবা মুক্নবশিং।

শক্লপ্পা মণিপুরগী পুৱারীঃ

চীং অমসুং তম অনীনা পুনশিন্দুনা শেম্বা মণিপুর মশাগী তোপ তোপ্পা পুৱারী লৈজে। মরক মরক্কী ওইনা মপানগী শাফু কয়ানা য়েখায়বা পীরবসু, মণিপুর নিংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইনা, মশাগী লৈঙাক শক্লোন ঙাক্তুনা থম্বা ঙম্লম্মী। নিংতম্বা মণিপুরগী শক্লোন অসি থেংখাং কয়ারক মালেমগী থাক্তা শকখঙখি। খৃঃ কুম ১৭৬২ দা ‘ম্যুচুয়েল ত্রেদ এন্দ দিফেন্স ত্রিতি’ বৃটিশ অমসুং মণিপুর অনীগী মরক্তা য়ানখি। থমজনিংলিবদি, ত্রিতি (য়ান্নচে) অমা হায়বা অসি লৈবাক অনী নত্রগা লৈবাকশিংগী মরক্তা য়ানবা ৱাফম অমনি। মরম অসিনা এঙ্গলো মণিপুর ত্রিতি’ ১৯৬২ না মণিপুর অমসুং বৃটিশ অনীগী মান্নবা থাক অদু উৎলি। বৃটিশ অমসুং অৱা (বর্ম্মা) অনীগী মরক্তা ইনখিবা ‘য়ান্দাবো ত্রিতি ১৮২৬’ নসু মণিপুরগী নিংতম্ববু শকখঙলম্মী। মণিপুর অমসুং বৃটিশ অনীগী মরক্তা য়ানখিবা খৃঃ কুম ১৮৩৩ অমসুং ১৮৩৪ গী য়ান-চে অনীনসু মণিপুরগী নিংতম্বা লৈঙাক্কী শক্লোনবু থিন্দুনা তাক্লি। মসিগী মথক্তা খৃঃ কুম ১৮৯১ গী ‘এঙ্গলো মণিপুরগী লান’ সু মণিপুরনিংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। পনবা য়াবদি নিংতম্বা লৈবাক খক্তুনা লান্দানবা অমসুং তংদু লৈতানা হিংজনবগী ৱারেপ লৌবা ঙম্মী।

বৃটিশকা থেংনরুবনা মণিপুরগী লৈঙাক পুৱারীদা অওনবা কয়া হকচিন্না পুরকখি। অদুমক ওইদুনসু খৃঃ কুম ১৮৯১ গী মমাঙদা মণিপুরবু বৃটিশনা লান্দাদুনা নত্রগা য়ান্ন-চে অমগী মখাদা লৌশিনবদি ঙমখিদে। ১৮৯১ গী লানগী মতুংদা ফাওবা মণিপুর অসি ‘বৃটিশ ইম্পেয়র’দা তিনশিনখিদে । মপান থৌরমগী লৈঙাক্তি বৃটিশনা পায়শিনখ্রবসু মশাগী লৈবাক মনুংগী ওইবা লৈঙাক্তি নিংতম্না ঙাকচবা য়াবা ‘প্রোটেক্তেদ ষ্টেট’ (ঙাক্তুনা থম্বা লৈবাক) অমা ওইখি। তাক্লিবদি, লোইলম অতৈগা খেন্নবা মওংদা মশাগী লৈবাক মনুং লৈঙাকচনবগী নিংতম্বা ঙাক্না লৈরম্মী। মী অয়াম্বনা মণিপুর অসি বৃটিশকী লোইলম ওইনা খন্নরবসু তশেংনমক্তি বৃটিশকী লোইলম অমদি ওইরমদে। মণিপুরনা খৃঃ কুম ১৯৪৭ ফাওবা বৃটিশ ‘ক্রাউন’ গী সুজরেন্টি’ মখাদা ‘ প্রোটেক্তেদ ষ্টেট’ অমা ওইনা মশাগী তোপ তোপ্পা লৈঙাক শক্লোন ঙাক্লা থমখি।

‘ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭’ চৎনবগী অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অগষ্ট ১৫, ১৯৪৭ তা নিংতম্বা ‘দোমিনিয়ন’ অনী হায়বদি ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান লিংখৎখি। মসিগা লোয়ননা মণিপুর য়াওনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ৫০০ হেন্না ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭ গী সেক্সন ৭(১) বি’গী মতুং ইন্না নিংতম্বা পীখি। মণিপুরদা বৃটিশকী লৈঙাক লোইশিনখি অমসুং মসিগী মহে ওইনা, মণিপুরগী বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট জিপি ষ্টেৱার্ত না মহারাজ বোধচন্দ্রদা লৈবাক্না শকখঙনা লৈঙাক চুপ্পি শিন্নবগা লোয়ননা, অগষ্ট ১৪, ১৯৪৭ গী অহিং নোংয়াইদা ‘বৃটিশ সুজরেন্তি’গী মখাদগী লৈঙাক কাঙলোন অমদি ৱায়েল পথাপকী মতুং ইন্না মণিপুর নিংতম্বা ফংখি।

‘ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট’ অগষ্ট ১৫, ১৯৪৭ দগী চৎনবা হৌরবসু তশেংনা লৈঙাক চুপ্পি শিন্নবদি অগষ্ট ১৪ অমসুং ১৫,১৯৪৭ গী লোন্নবা য়ুথক্কী অরোইবা পুংফমদা পাঙথোকখি। মরম অসিমক্তনা অরোইবা পুংফম অসি অগষ্ট ১৫গী মিকুপ নত্রগা অগষ্ট ১৪ গী অরোইবা মীকুপনি হায়না লৌবা য়াই। ৱাখল পরিং অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা ‘অগষ্ট ১৪’ বু ‘মণিপুর নিংতম নুমিৎ’ ওইনা লৌজবনি। অগষ্ট ১৪ বু ‘নিংতম নুমিৎ’ ওইনা নীংশিংবা অমদি পাঙথোকচবনা মণিপুরগী তোপ তোপ্পা পুৱারীবু মশক তাকপা ঙমগনি।

নিংতম্বা ফংলবা মতুংদা ইন্সট্রুমেন্ট ওফ এক্সেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুর অসি দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী য়ান্নচে অমগী মখাদা মরী লৈনরকখি। য়ানচে অসিগী মখাদা পানগী সোভেরেন্টি অসি দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়া না পায়হনখ্রবসু মণিপুরনা নুংগী সোভেরেন্টি দি মশানা ঙাকচদুনা লৈখি। হায়রিবা সোভেরেন্ট পৱার অসি মখাদা মণিপুরনা জনুৱারী ১৯৪৮ তা ‘ মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭’ কৌবা মশাগী ওইবা কন্সটিট্যুসন লিংখৎখি। কন্সটিট্যুসন অসিগী মখাদা য়ুনিভর্সেল এদল্ড ফ্রঞ্চাইস তা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়ামগী মীখল (দিমোক্রেটিক ইলেক্সন) পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ৫৩ খন্দুনা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ নেস্নেল এসেমব্লি অমা ওক্তোবর ১৪, ১৯৪৮ তা শেমখি। মতুং তারকপদা চিফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর শেমদুনা মণিপুরগী নিংথৌ অসি মমিংতগী হেদ ওফ দি ষ্টেট ওইখি। মতৌ অসুম তৌদুনা নিংথৌ পাল্লম্বদগী মীয়ামগী লৈঙাক (দিমোক্রেসি) দা খোং থাংজিল্লকখি। অদুবু লাইবক থীবদি সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯ দা মর্জর এগ্রিমেন্ট সাইন তৌখ্রবা মতুংদা ওক্তোবর ১৫,১৯৪৯ দা মণিপুর দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিনখিবদগী মীয়ামগী লৈঙাক্কী চাংয়েং অদু খুদক্তা লেপখি। মণিপুর ইন্দিয়াদা হাপচিনখ্রবা মতুংদদি মণিপুরগী নুংগী নিংতম্বা (ইন্টরনেল সোভেরেন্টি) অদু লৈখিদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা ঙসি মণিপুরদা থোক্লিবা অচৌবা ৱাথোক লাঙ্গোকশিং থোকহল্লক্লবগী হৌরকফম ওইরকখি।

নিংতম নুমিৎ পাঙথোকপগী মরমঃ

ঙসিগী লাকশিনবা ঙমদ্রবা অচৌবা লাঙ্গোক অমা ওইহল্লক্লিবা মশিং থিঙমদ্রবা ৱাথোকশিং অসিগী অশুপ্পা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগীদমক মাঙলমচৎপু মশক মুন্না খঙবগী মথৌ তাই। মাঙলমচৎকা হকথেংনবা হায়বসি মীরোলসিগী হৌজিক্কী ফিভমবু লাকশিনবগা লোয়ননা তুংলমচৎপু মশক লেপ্পবগীদমক কাওফদ্রবা ইথৌ অমা ওইরক্লি। থোক্লিবা ৱাথোক খুদিংমক মাঙলমচৎতগী হৌরকফম ওইবনা, পুৱারীগী মীৎয়েংদগী ঙসিগী মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী ফিভম অসি মশক খঙবা চঙই। মাঙলমচৎ হায়বসি পুৱারীগী খুথাংদগী মশক লেপ্পা অমসুং লাকশিনবা ঙম্মী। পুৱারী য়াওদ্রবা ফুরুপ নত্রগা লৈবাক অমগী তুংলমচৎ লৈতে অমসুং কাঙখুল মুৎখিগনি।

ঙসিদি পুৱারী মশামক মুক্নবগী অমদি হিদান্নবগী মফম ওইরক্লি। ফুরুপ কয়া মশা মশাগী লৈঙাক ঈহৌসি চুমহন্নবা মশা মশাগী পুৱারী ইবা লেঙবা হৌনরক্লি। মসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি ফুরুপকা মীচঙ খোম্নদুনা কাঙলুপ নাইবা খুন্নাই ওইহন্নবা হোৎনরকপদা নত্তনা লৈবাক অমদি লৈঙাক্কী শক্লোন অমা ওইরিবা মণিপুরগী পুৱারী মখাতানা লৈখিগদ্রা হায়বগী ৱাফম শিংনরক্লি। ফিভম অসিনা মাঙলমচৎপু নৌহৌননা হকথেংনদুনা অমসুং মণিপুরগী পুৱারীবু অচুম্বা লিক্লম অমদা থম্বগী তঙাইফদবা লৈহল্লি। মণিপুর অসি তশেংনমক , ঙসি য়েৎনরিবা ইন্দিয়াদা তিনখিবগী থৌদোক অসি থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মতম অমদা নিংতম্না লৈরম্বা লৈবাক অমনি হায়বসি মীয়ামদা নৌহৌননা নিংশিংবগী তঙাইফদবা মীকুপ অদু লাক্লবনি। নিংতম নুমিৎ পাঙথোকপনা, কাওথোক্লবদা মাঙজবতা ওইরগদবা মতিং লৈবা মাঙলমচৎ অমা, ফুরুপ অমা, লৈবাক অমা ওইনা ঐখোয়গীসু লৈরম্মী হায়বগী অশেংবা মশক অসি মীয়ামদা য়াকায়হনবদা তশেংনমক মতেং ওইগনি।

ঙসি মণিপুরনা হকথেংনরিবা মখল কয়াগী শিংনরকপশিং অসি মণিপুরগী লৈঙাক্কী শক্লোন্না ইখঙ খঙহৌদনা হোংখিবা কয়াৎলোনগা মরী লৈনৈ। ফুরুপ মশেল মুক্নবা, ঙমখৈদা শিংনরকপা, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার্স এক্টপু মখা তানা নমদুনা চৎনহনবা , মীতোপশিং খুন্দারকপা অমসুং মহৌশাগী পোথোকশিংদা য়েলহৌমীশিংগী হক মৎপা নত্রগা লৈহন্দবা পুন্নমকশিং অসি মীখা থানা হিংলুবদগী শমথরকপা ৱাথোকশিংনি। নাথৈবা য়ারোইদবা মণিপুরগী লৈঙাক শক্লোন হোংখিবদগী থানবা য়াদবা ৱাথোক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুরগী খুৎলায় পায়বা লুপশিংগগী মরক্তা চথরিবা লৈঙাক্লোনগী মুক্নবা অসিনি। মুক্নবা য়েংথিনবনা য়োমশিনখ্রবা লৈবাকসিদা, মুক্নববু অওনবা অহোংবা পুরক্নবা অমসুং তংদু লৈতাহন্নবা হোৎনবা থৌশিল খুদিংমক্কী মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী পুৱারীবু মশক মুন্না খঙবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা তঙাইফন্দবনি।

মণিপুরগী তোপ তোপ্পা পুৱারী অমসুং তোপ তোপ্পা লৈঙাক শক্লোনবু মশক খঙবা হায়বসিনা চথরিবা মুক্নবশিং অসিগী মতম কুইনা চৎকদবা ৱারোইশিন অমা থিবগী অহানবা খোঙথাংনি। অমরোমদনা, ঐখোয় পুম্বগী অমত্তা ওইবা মাঙলমচৎপু অমত্তা ওইনা খঙমিন্নবনা মান্নবা থাক্তা হিংমিন্নবা অমসুং অচুম্বা ৱায়েলদা য়ুম্ফম ওইবা অপুনবা অমত্তা ওইবা তুংলমচৎ অমা মরু হুন্নবগী লমথাবনি। মসিমক্কা থাক নাইবা মীওই কাঙলুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নববু মাঙহনবা অমসুং মান্নবা খুন্নাই অমা লিংবগী অরোইবা পান্দম অসি মঙফাওনহনসি হায়রবদি, চহী ৬৭ হেন্না শংদাইনবা ঙমদনা লাক্লবা লৈবাক অমসুং ফুরুপকী খেন্নবশিং অসিগী ৱারোইশিন হান্না পুরকপা তাই। মরমশিং অসিনা শিথরুরবা মণিপুর লৈঙাক্কী মতিং অসি অমুক হন্না হিংগৎহন্নবগীদমক মণিপুর নিংতম্বা নুমিৎ (মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স দে) থৌরম পাঙথোকপা হায়বসি তঙাইফন্দবা অমনি।

- সব কম্মিটি মেদিয়া এন্দ
ইনফোর্মেসন সিএআরসিএ, মণিপুর

পুন্নমক্কী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি

ঙাঙোম অজিৎ

ইম্ফাল সিতি অসি লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা য়াম্না নুংঙাইতবা, ত্রাফিক জাম য়াম্না তোয়না তোয়না থোকপা ফিভম অমদা মীপুম খুদিংনা ঙসি ঙসিমক থেংনরি। শম্না হায়জরবদা রিমস রোর্দ, পিদব্লিউদি মমাঙ, জিএম হোল মমাঙ, মরু ওইনা গভর্নর মমাঙ, সিএম বঙ্গলো মমাঙ, সেক্রেটরিয়েট অসিনচিংবা অমরোমদনা খুয়াথোংদগী নাগামপাল লম্বীরোমদগী শুম লাকপদুনা ইম্ফাল বজার ফাওরগা অমুক শুম লাকপদুনা ৱাহেংবম লৈকায় লম্বীদগী কৈশামপাৎ ত্রাফিক আইলেন্দ ফাওবা অমা হায়রিবা য়াম্না মরু ওইবা লম্বীশিং অসি অসুক্কী মতিক ত্রাফিক জাম য়াম্না তোয়না তোয়না হৌজিক হৌজিক থোক্লি। অমরোমদনা হায়রিবা লম্বীশিং অসিদা ইমর্জেন্সি সার্ভিসতা লৈবা গাড়িশিং, ইসেন্সিয়েল সার্ভিতা লৈবা গাড়িশিং অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সেসশিংগী গাড়িশিং মদুদসু নত্তনা অচৌ অচৌবা গাড়িশিং হাইফেৎ পঞ্জরবদা টাটা দিপ্পর, প্রাইভেট হেভি ভেহিকল, স্কুল বস, সেমি লো ফ্লোর বস (গভর্নমেন্টকী) চৎথোক চৎশিন তৌরি। লম্বীগী সাইজ পীকমনখিবনা হায়রিবা গাড়িশিং অসিনা চৎথোক চৎশিন তৌবনা ত্রাফিক জাম থোকপগী মরম ওইগদ্রা হায়না খঞ্জে। পুন্নমকশিং অসি য়েংজরুরগা মীচম প্রজা অমা ওইনা ত্রাফিক জাম অসে খরা খজিক্তংদা ওইরবসু হন্থবা ঙম্নবা মত খরদং ফোঙদোকচরবদা অহানবগী ওইনা কংলা পার্ককী পুখ্রি অসে মতেক মতেক হায়বদি পিদব্লিউদি ওফিস মমাঙদা খরা, ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতি ওফিস মমাঙদা খরা ফুনজিল্লগা সরকারগী নিয়ম অমগী মখাদা পার্কিং ফি খরা লৌবীরগা য়াম্নসু য়েংবদা ফজবা পার্কিং সাইট অমা শেমগৎপীবা। অনীশুবদা ইম্ফাল বজার মনুংগী অমদি অকোয়বগী লম্বীগী নাক য়েৎতা চাকা মরী পানবা অমদি চাকা অনী পানবা গাড়িশিংনা পুং কয়া অমা খামজিন্দুনা থমজিনবা হায়বদি দববল পার্কিং তৌশিনবা। মরম অদুনা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা লম্বীগী খুদোংচাদবা অসি খজিক্তং ওইরবসু কোকহনসি হায়রবদি অসুম হায়না য়েংবা য়াবরা খঞ্জে।

মদুদি অয়ুক্কী পুং ৭তগী ১১ ফাওবা অমা নুংথিলনা পুং ২দগী পুং ৬ ফাওবা অমা, কংলাগী অৱাং থংবা গেট অসি হাংদোকপীরগা মখা রোম থংবা গেট লোমদা থোকহনখিবা হায়রিবা গেট মনুংগী লম্বী অসি ফাওরগা চৎপা গাড়িশিং নত্রগনা খোংনা চৎপীবা মীওইশিংনা লুপা ৫-১০ দং পীবা টিকেট অমমম ককহল্লগা ফাওদোকহনখিবা, ফাওদুনা চৎপীবা মতমদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অমোৎ-অকায়, ফত্তা হৌদি, মকু মরাং অমদি চেজেৎ কুম্বা পোৎচৈ অমত্তা থাদহন্দবা, কংলা মনুংদা ফাওদুনা চৎখিবা গাড়িশিংনা মরক্তা খাম্বা য়াহন্দবা, মসিবু য়েংশিনহন্নবা ভিদিএফ নত্রগা হোম গার্দ ২০-৩০ দং দিপ্লোই তৌরগা লম্বীগী চিদাইদা পরেং শানা লেপহল্লগা দ্যুতি তৌহনবীবা। অসুম হায়না মরী লৈনবশিংনা শিনবীরম্বদি খরা খজিক্তা ওইরবসু লম্বী চিনবগী খুদোংচাদবা অসি কোক্কদরা খঞ্জে। য়াম্না মরু ওইবা অমনা থা খুদিংগী মশিং থিঙমদ্রবা দিজল ওটো অমদি পেট্রোল ওটো ময়াম অমা মণিপুরদা থাজিল্লক্লি, হায়রিবা গাড়িশিং অসি মতম চানা অমদি মতাং চানা মরী লৈনবা বিভাগনা চেক তৌহৌদ্রবদি ইম্ফাল বজার মনুং অসি দিজল ওটোনা লম্বী চিনবদা নত্তনা ওটোগী মখোলনা পুল্লাং লাংদুনা নোইস পোলুসন থোকপসু য়াই। অমরোমদনা ইম্ফাল সিতি অমদি অকোয়বদা চল্লাইবীরিবা সেমি লো ফ্লোরগী অচৌবা মখলগী বসশিং অসে চাওমনখ্রে, লম্বীগা চান্নদ্রে, মসিগী মহুৎতা মিনি সাইজগী ওইবা গ্লাস ঙাক্তনা খাজিনবা, হায়রিবা মিনি বস অসিগী মনুংগী অকোয়বদা পেসেঞ্জরশিংগী ইকোই কোইনা সিট থাবা অদুগা ময়াইদনা ইকোয় কোয়না লেপহল্লগা তোঙহনবা, খুৎ পায়ফম্না কোকতোন্দা ইকোয় কোয়না ষ্টিল বার অমদগী য়াম্বরকপা মরীশিংনা পরেং শানা য়াম্বরকই। মসিগুম্বা মিনি টাইপকী বস অসিনা হেন্না খুদোংচাগদবা মাল্লি। ইনক নক্লা য়ুল্লোন্নরিবা ষ্টেট নাগালেন্দ, অসামদা সিতি মনুংদা চল্লাইরিবা মিনি বসশিং অসে ওর্দিনরি হায়বা অমা দিলক্স হায়বা অমগা মখল অনীসিনা য়াম্না লাইনা অমদি য়াম্না লু-নান্না সার্ভিস তৌবা থেংনজরকই , তোঙবসু তোঙজরক্ই।

মরম অদুনা ইম্ফাল সিতিগী অকোয়বদা হায়বদি খুয়াথোং বজারদগী হৌবীরগা শুম শুম লাকপদুনা নাগামপালদগী ৱাহেংবম লৈকায় ফাওরগা কৈশামপাৎ অদুদগী গভর্নরগী মখা থংবা লম্বীদা লাকপীরগা কংলা পার্ককী পরিংদা অৱাং পাংনা অমুক লাকপীরগা খুয়াথোংদা অমুক, অসুম হায়না রিং রোদ গী মওংদা ষ্টোপেজ খরদমক লৈহনবীরগা খুয়াথোংদগী তুবৎ থাঙ্গাল বজার ফাওরগা পাউনা বজারগী অরোইবা মচিন ফাওবা হায়রিবা মখল গী মিনি টাইপ বস অনী অহুমদং সার্ভিস তৌহনবীরবদি লাইরবা প্রজা কয়ানা খোংনা বজার মনুংদা ৱানা কোইচৎ চৎপদগী খরা মখৈদি শাফগনি খঞ্জে, বজারসু চিল্লরোই, সরকারগী ইনকমসু ফজনা লাক্লগনি। ইমা কৈথেল অনীমক হেক লোইশিল্লকপগা মপা চান্নবা অখঙ অহৈশিংনা শিনবীরবদি পুন্নমক্কী ওইনা খুদোংচাবদা নত্তনা সিতিগী ফজবা শক্তম অমসু উবা ফংলগনি নিংজৈ। অসুম হায়না শিনবীরবদি থাঙ্গাল বজারদগী পাউনা বজার মচিন ফাওবা হায়বদি মোরে মার্কেট হায়না খঙনরিবা জগা অদু ফাওবা শাংখ্রবা লম্বী অসে মিনি বস সার্ভিস লৈরবদি হান্না ৱানা খোংনা চৎলম্বদো হৌজিক্তি শাফরগনি নিংজৈ। সরকারনা পোলিসি প্রোগ্রাম অমা পুথোকপীদুনা শিনবীরবদি মণিপুরদা লৈবীরিবা প্রজা পুন্নমক্কী অপেনবা অমদি শুকশোয় শোয়দনা ওইরগনি খঞ্জে।